# কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি রিফোর্ম তৌদুনা ২০২২-২৫ ফাওবগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস) :
কোলিসন এগেনষ্ট ড্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না লমদম অসিদগী তোঙান তোঙানবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক মখলশিংনা মরু ফংনা মুথৎনবা চঙশিল্লকপা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং হেন্না পাকথোক চাউথোক্লা চঙশিনবা ঙম্নবা লোয়ননা ওর্গনাইজেসন কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা কাদাগী প্রসিদেন্টে হিজম প্রিয়োকুমারনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ২০২২-২৫ ফাওবগী নৌনা থৌ পুগদবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি খনখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ২০২২-২৫ ফাওবগী খনখ্রবা নৌনা থৌ পুগদবা এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা হুইনিংশুংবম বসন্তি, ভাইস প্রসিদেন্টতা থোকচোম মংলেম্বী অমদি মাইবম প্রমোদিনীনি। সেক্রেটরি জেনরেলদনা হাওবিজম সোবিতা, সেক্রেটরি ফাইনান্সতা ওইনাম সোরোধোনি, সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসনদা লাইশ্রম তম্ফাসনা, সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিদা অঙোম উশারানি, সেক্রেটরি ৱিমেন এফেয়র্সতা হুইদ্রোম পুর্ণিমা, সেক্রেটরি দ্রাইভতা থোকচোম পুর্ণি, সেক্রেটরি হেল্থ এন্দ স্পোর্টসতা নিংথৌজম থোইবী, এগজিক্যুটিভ মেম্বরদনা টি ঐচ ইন্দুবালা, থোকচোম প্রিয়া, তোইজম আনন্দি, লোইতোংবম কাননবালা অমদি অঙোম মেম্মানি।

লোয়ননা কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী এদভাইজর ওইনা সোরোখাইবম অমুসনাবু ওইহনখিবদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা য়েৎনবা লৈতনা অয়াবা পুরকখ্রে হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ইবুধৌ সনথোঙ খোঙবু মঙাগী হরাওবুংদা ৱার ওন দ্রগসকা মরী লৈননা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস) :
কুম্বী তেরাখাদা লৈবা ইবুধৌ সনথোঙ খোঙবু মঙাগী হরাওবুংদা কুম্বী ৱার্দ নম্বর ৯গী মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা ৱার ওন দ্রগসকা মরী লৈননা পাঙথোকখ্রে।

সিটিজন্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন (সী দব্লিয়ু এ), কুম্বী ৱার্দ নম্বর ৯না মীয়ামগা খুৎশম্নরগা শীনখিবা মীফম অদুদা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ভাইস চ্যেরপর্সন ওইরম্বা হৌজিক্কী ৱার্দ নম্বর ৯গী ক্যেরটেকর কাউন্সীল্লর ওইরিবা ৱাহেংবম বোবিচান্দ লুৱাং, কুম্বী পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ ইন্সপেক্টর হুসেন অহমদ, সন্দে কেম্প্যেনর নেসনল টিচর এৱার্দী খাঙেম্বম ইন্দ্রকুমার, নেটৱার্ক এগেনষ্ট দ্রগস এব্যুজ (এন এ দি এ) কুম্বীগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা নেসনল য়ুথ এৱার্দী খাঙেম্বম লীলাচন্দ্র, ৱার্দ নম্বর ৯গী হান্নগী ৱার্দ দিভেলপমেন্ট কম্মিটি মেম্বর সামোম ইনাওচানচিংবনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

কুম্বী ৱার্দ নম্বর ৯গী মনুংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক লৈবা য়োনবা থিংনবা মীফম অদুনা লেপ্পখিবগা লোয়ননা কুম্বী ৱার্দ নম্বর ৯ অপূনবা নুপী লূপ কৌবা নুপী লূপ অমা শেমখিবগা লোয়ননা নিংথৌজম বিমোলাবু প্রসিদেন্টে অমদি খাঙেম্বম শখিলাবুনা সেক্রেটরি ওইনা খনখি।

মীফম লোইরবা মতুংদা ৱার্দ নম্বর ৯গী মনুংদা লৈবা লৈকায় ৭/৮দা অপূনবা নুপী লূপকী লুচিংবশিংনা লাউদ স্পিকরগী মতেং লৌরগা কোয়না চৎতুনা হৌজিক্কী অমদি তুংগী মীরোলগী খন্দুনা হৌগৎলক্লিবা চহী নৌরিবা ইচা-ইশুশিং মশা-মউ ফনা লৈনবা ঐখোয় অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নরসি হায়না আপীল তৌখি। লোয়ননা ৱার্দ অসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক লৈবা য়োনবা তৌদনবসু চেকশিন ৱারোল পীখি।

শেল খরগীদমক মীওই খরনা হৌগৎলক্লিবা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা মহেরোয় ইচা-ইশুশিংগী তুংগী পুন্সি খাঙুথক্তা মাঙহনবা য়াবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়োনবগী থবক তৌবা থেংনরবদি পুলিসকী মতেং লৌরগা লোগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপদা কুম্বী ৱার্দ নম্বর ৯ অপূনবা নুপী লূনা চপ চানা লেপ্পগনি হায়বা ৱাফমসু লাউথোকখি। ৱার্দ অসিদা নুমীদাং পুং ৮গী মতুংদা য়ু য়োনবা, থকপা-চাবা অমদি লম্বী-সড়ক্তা ঙাওশিন্নরগা লৈবা অমত্তা য়ারোই হায়নসু নৌনা শেম্লিবা অপূনবা নুপী লূপনা মীয়ামদা খঙহনখি। মীয়াম্নসু ঈং-তপ্পা ৱার্দ অমা ওইবদা নত্তনা ঈংনা চিক্লা পানবা ইমুং-মনুং অমমম ওইবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়বা ৱাফমসু থমখি। লোয়ননা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।



# অতোপ্পা ফুরুপকী লোল

## খঙননবা তম্বদা মীওইবগী ব্রেনদা পীবা কান্নবশিং

হান্না খঙলমদবা অতোপ্পা ফুরুপকী লোল অমা তম্বা মতমদা ব্রেনগী ইলাষ্টিসিটি হেনগৎলকপগা লোয়ননা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্লকই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে।

য়ুনিভর্সিটি ওফ হেলসিনকিগী রিছার্চর য়ুরি ষ্টিরোভনা লুচিংদুনা চৎখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, অনৌবা ফোরেন লেংগ্বেজ মশীং য়াম্না তম্লিবমখৈ ব্রেনগী ফীভম ফবা হেনগৎলকই। রিছার্চরশিংনা মহৈরোয় ২২ (নুপা ১০ অমসুং নুপী ১২) দা ষ্টদি চৎথবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

ইলেক্ট্রোইন্সেফালোগ্রাফি (ঈ ঈ জি) শীজিন্নদুনা মহৈরোয়শিং অদুগী ব্রেনগী ইলেক্ট্রিকেল এক্টিভিটি ওনবদা অনৌ-অনৌবা লোল তম্বা মীওইশিংগী ব্রেনদা ইলেক্ট্রিকেল এক্টিভিটি হেনগৎলকই হায়বা খঙলকখিবনি। অনৌ-অনৌবা লোল তম্লিবমখৈ ব্রেন শীজিন্নবসু হেনবনিনা ব্রেনগী ফীভম ফবা হেনগৎলকই।

অমরোমদা, স্বিদেনগী রিছার্চরশিংনা চৎখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মদুদি অনৌবা লোল অমা খঙননবা হোৎনবা হায়বসি ব্রেনগীদমক্তদি খ্বাইদগী ৱাবা থবক্লি। অদুবু অসুক্কী মতীক কান্নবা হেল্লি। ৱারিবা চাং অদুমক য়ৌনা কান্নবা ফংই। অতোপ্পা ফুরুপকী লোল অমবু খঙননবা তম্বদা ব্রেননা নীংথিনা শাজেল তৌবা মরম্না ব্রেনগী মপাঙ্গল কনখৎলকপগা লোয়ননা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্লকই।

মতম অমদা অঙাংশিংবু লোল অমদগী হেন্না ঙাঙবা মফমদা য়োকপা মতমদা অঙাং অদু শিংবগী চাং ৱাৎলি হায়না থাজনরম্মী। মদুনা অঙাংগী ব্রেনদা চমম্নবা পোকহন্দুনা সিজোফ্রেনিয়া ওইহল্লকপা য়াই হায়না থাজনখি। হৌজিক্তি ৱাফম অসি অরানবনি হায়বা খঙলে। অনৌ-অনৌবা লোল কয়ামরুম তম্বনা ব্রেনগী ফীভম ফনা থম্নবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা পান্বেনি হায়বা খঙনরকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা রিছার্চ কয়া পাঙথোক্লবা মতুংদা অখঙ অহৈশিংনা হায়খি, লোল অমত্তং খঙবা মীওইশিংদগী লোল অনী নৎত্রগা মসিদগী হেন্না খঙবা মীওইশিংনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হেল্লি।

ওইনিংবা চহী মতাং ওইরবসু কনাগুম্বা মীওই অমনা অনৌবা লোল তম্বা মতমদা ফংলিবা কান্নবসি জেনরেল ইন্টলিজেন্স হেনগৎলকপা, অহান-অকোন খঙনা মথৌ পাঙথোকপগা লোয়ননা অচুম্বা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা, অকোয়বদা থোক্লিবা থৌদোক নীংথিনা খঙবা ঙম্বা, অতোপ্পা মীগী পুকচেল লায়না খঙবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হেনগৎলকপা অসিনচিংবনি। মসিদসু নত্তনা ব্রেনগী সাইজ হেনগৎলকপগা লোয়ননা ব্রেনগী লেংগ্বেজ সেন্টর অমদি হিপোকেম্পস চাউবা হেনগৎলকই। মেমোরি পুন্নমক ব্রেনগী হিপোকেম্পসতা তুংশিন্দুনা থম্লিবনি।

স্বিদিশ ষ্টদি অমদা নহা ওইরিবা মিলিটরি রিক্রুইটশিংবু অনৌবা লোল অমা তম্বীরম্মী। ষ্টদি হৌদ্রিঙৈ মমাঙ, চৎথরিঙৈ মনুং অমসুং লোইরবা মতুংদা মেগনেটিক রেসোনেন্স ইমেজিং (এম আর আই) ব্রেন স্কেন তৌবদা অনৌবা লোল তম্বা মীওইশিংগী হিপোকেম্পস চাউখৎলকপা থেংনখি। মদুগা লোয়ননা ব্রেনগী তোঙান তোঙানবা শরুক্তা লৈবা ন্যুরেল পাথৱে মশীং হেনগৎলকখি।

অতোপ্পা ষ্টদি অমদা ইংলিস লোল ঙাঙবা মীওই খরবু চাইনিজ লোল তম্বীরবা মতুংদা এম আর আই লৌদুনা য়েংবদা ব্রেনগী তোঙান তোঙানবা রিজনশিংদা কনেক্টিভিটি হেনগৎলকপা থেংনখি। ব্রেনগী মথৌদা অহোংবা লাকপগা লোয়ননা চয়োল তরুক্কী মনুংদা ব্রেনগী ষ্ট্রকচরদা অহোংবা লাকপসু থেংনরম্মী।

অহল ওইরবা মীওইশিংদসু মতৌ অসুম্না ব্রেনদা অহোংবা লাকপা থেংনবদগী রিছার্চরশিংনা হায়খি, চহী য়াম্বা-য়ামদবা থিদনা ব্রেনদি শীজিন্নরিবমখৈ ফীভম ফবা হেনগৎলকই। হান্না খঙলমদবা লোল অমা তম্বা মতমদা দিমেন্সিয়া অমসুং অলঝিমর'স দিজিজনচিংবা লায়নাশিংগী রিস্ক হন্থরকই হায়রি। অলঝিমর'সকী হীদাক চাবা মতমদা লায়না অসি নারক্কদবদগী থা ৬ কুম্বা য়ৈথোকপা ঙম্মী। অদুবু অনৌবা লোল তমদুনা ব্রেন শীজিন্নবা মতমদদি চহী ৪/৫ য়ৈথোকপা ঙম্মী।

অতোপ্পা লোল অমা তম্নবগী মতাংদদি মতম থেঙমনবা হায়বা অমা লৈতে। অঙাং ওইরিঙৈদনা খরা থুনা হৈগল্লি হায়বগী ৱাদনি। চহী মতাং অমদা হেক্তা অতোপ্পা লোল অমা তম্বা মতমদা চপ মান্নবা মওংদা কান্নবা ফংই। অনৌবা লোল অমা তম্বা মতমদা মপুং ফানা হৈতবা য়াদে হায়বা করিসু লৈতে। হেন্না মরুওইরিবদি খরদং ওইরবসু হৈনবা হোৎনবদা ব্রেননা এক্সরসাইজ তৌবগী মওং অদুনি। নোংমগী অনৌবা ৱাহৈ অনী-অহুম তমশিন্দুনা মরুওইবা ৱাহৈ ১০০ খক খঙবা মতমদা লোল অমবু মপুং ফানা খঙবমক নৎত্রবসু পাউ ফাওনবা ঙমগদবা মওংদা শোয়দনা খঙগনি।

কনাগুম্বা অনৌবা লোল তম্লিংলবদি 'গুগুল লর্ন হন্দ্রেদ কোর ৱর্দস' তগী শেল তীংদনা অরায়বা মওংদা তম্নবগী খুদোংচাবা পীরি। নোংমগী অনৌবা ৱাহৈ অহুমখক তমশিনবা মতমদা থা অহুমগী মনুংদদি ৱাহৈ ৩০০ গী ময়াদা শোয়দনা খঙবা ঙমগনি। মতমদুদা ব্রেনগী ফীভম ফবসু হেনগৎলক্কনি হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# বেদজিৎ মোইরাংথেমগী অনা-লায়েংগীদমক লাইক মাইন্দেদ গ্রুপনা শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস):
ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী মনুং চনবা ৱাংজিং হৈতুপপোকপীদা লৈবা বেদজিৎ এলিয়স গোরোবা মোইরাংথেম অপোকপা প্রেমকুমার নোংমগী অফং-অফংবা শু-নোল্লগা চাবা ইমুং ওইবনা মতম চানা লায়েংবা ঙমদবদগী ফমুংদা য়াতাদুনা ৱানা খাঙলি হায়বা পাউ লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি)গী মেম্বরশিংদা পীরকপদগী গ্রুপ অসিগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটি মেম্বরশিংনা চৎতুনা য়েংশিল্লুরবা মতুংদা ইমুং অসি খম থেংনা ৱাবা ইমুং অমা ওইরে খঙবদগী এল এম জিগী ঈ সীনা খন্নরবা তুংদা বেদজিৎকী অনা-লায়েং অসিদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইনবা হায়দুনা গ্রুপ অসিগী জেনরেল ফন্দদগী লুপা লিশিং ১০, মেম্বরশিংনা পাংবীরকপা শেনফম খরা পুনশিল্লগা পুন্না লুপা ১২,১০০ তেংবাঙদুনা ইমুং অসিগী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে হায়না এল এম জিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা লুচিংদুনা চৎখিবা তেংবাঙ খোঙচৎ অদুদা গ্রুপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেম অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বর রোসন মোইরাংথেমসু শরুক য়াখি। লোয়ননা খোঙচৎ অদুদা কে কে ৱাহেংবম, সোবিতা মাইবম, ডা. ইনাওবা নোংমাইথেম, বোইনাও মাইবম, কুঞ্জেশ্বর মংশাতাবম, সুরেন্দ্র নিঙোম্বা, ডা. মাইবম ইতিন, মোইরাংথেম অকাশ, নোংথোম্বম সুনি, নাওরেম রোমিলা অমদি মোইরাংথেম রাধাকান্তনচিংবা মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

তেংবাঙ খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা ফোঙদোকখিবদা, কাঙলোন চুম্না অমদি ফজবা মওংদা সোসল মীদিয়া অসি শীজিন্নরগদি লায়রবা, খুদোংচাদ্রবা অমদি অৱা-অনা তারবশিংগীদমক্তদি অচৌবা মরুপ অমা ওইরি। লমদমসিগী অমদি চোইজাইননা খুন্দাখ্রবা ইরৈচা কয়াগীসু সোসল মীদিয়ানা অচৌবা প্লেটফোর্ম অমা ওইদুনা ঐখোয় মশেল পুনশিন্নবগী অচৌবা লম্বী অমসু ওইরে হায়খি।

তেংবাঙবগী থৌরম অসি গ্রুপ অসিগী ৬৪রকশুবা তেংবাঙ থৌরমনি। কুমজা ২০২১দা লিংখৎখিবা গ্রুপ অসিনা তেনখ্রবা চহী অমগা থা অনীরোমসিদা চাউরাক্ল। লুপা লাখ ১৪/১৫ রোমগী শেনফম লমদমসিগী অৱা-অনা তারবা ইমুংশিং অমদি হেন্না ৱারবা ইমুংশিংদা তেংবাঙবা ঙমখ্রে। মসি পুন্নমকসি লমদমসিগী মীয়াম্না এল এম জিবু নুংশিবীরকপদগীনি। এল এম জিদা মখা তানা মীয়াম্নসু কোওপরেসন পীবীয়ু। কনাগুম্বা মীওইশিংনা গ্রুপ অসিদা য়াওবগী খুদোংচাদবা লৈরবসু অতোপ্পা গ্রুপশিংদা য়াওবীদুনা অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্লা খোঙচৎ অদুগী শরুক অমা ওইনা আপীল তৌখি।

# লম্বোইবোন কম্যুনিটি হোল শঙ্গাখিবগা লোয়ননা মনা-মথুমশিং য়েনেন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস):
থৌবাল এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ অমদি হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা মহাক্কী লোকেল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দ ২০২২দগী শাবা লোইরবা থৌবাল নিঙোম্বম মমাঙ লৈকায়গী লম্বোইবোন কম্যুনিটি হোল ঙসি হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাদুনা লৈকায় মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। ওর্গনাইজিং কম্মিটি লম্বোইবোন কম্যুনিটি হোল অমদি সোসল দিভেলপমেন্ট ক্লব অনীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌবাল নিঙোম্বম মমাঙ লৈকায়দা লৈবা লম্বোইবোন কম্যুনিটি হোল শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা খাঙবোক এ সীগী হান্নগী এম এল এ ওক্রম লনধোনি, লৈকায়গী অহল ওক্রম ইবোচাওবা অমদি থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ১০গী কাউন্সীল্লর হিজম যমুনাসু দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা শঙ্গাবগী থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা সোসল দিভেলপমেন্ট ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা হন্দক পাঙথোকখিবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংদুনা পাস তৌরকখ্রবা থোইদোক হেন্দোক্লবা মহৈরোয়শিং অমদি মায়কৈ অসোমগী শান্নরোইশিংদা খুদোল তমদুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। শঙ্গাবগী থৌরম অদুগা ঈরোয়ননা কলচরেল সো কয়াসু উৎখি।

ঙসি থৌবাল নিঙোম্বম মমাঙ লৈকায়দা লৈবা লম্বোইবোন কম্যুনিটি হোল হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দেজ মেম্বরশিংনা লমদম অসিগী চাউখৎপগী থবক থৌরম মাঙজিল থানা চঙশিনবা ঙম্নবা অমদি হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা এদ্যুকেসনগী লমদা চাউনা মায় পাক্লকপা অসিদা হরাওবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা পুন্না খুৎশম্নদুনা চৎমিন্নবগী অপাম্বশিংসু ফোঙদোক্লখি।

# নিলিমা সিনহা নীংশিং মনা ক্ষেত্রি বিরদা পীরগনি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস):
বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ (বি এম এস এস)না চহী ২ খূদিংগী ওইনা মণিপুরী লিটরেচর অমসুং কলচরগী লমদা থোইদোক্লা শক্লাইরবা মীশক অমদা পীবা নিলিমা সিনহা নীংশিং মনা ২০২২ মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী ক্ষেত্রি বিরদা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ (বি এম এস এস) কী প্রসিদেন্ট এ কে সেরামগী চেরোল অমনা ফোঙদোরকখিবদা, কুমজা ২০১৭তগী হৌদুনা চহী ২/২ লৈরগা পীদুনা লাক্লিবা নিলিমা সিনহা নীংশিং মনা অসি চহী অসিগী ওইনা শক্লাইরবা অইবা ককচিং সুমাক লৈকায়দা লৈবা অইবা ক্ষেত্রি বিরদা মহাক্লা মণিপুরী খোরিরোলগীদমক কথোকপা অমগা লোয়ননা হোৎনদুনা লাকখিবা কয়া অমদি মণিপুরী খোরিরোলবু মাঙজিল থানা চৎপা ঙম্নবা লোয়ননা মালেমদা শক্তান্নবগী লৌখিবা থৌদাংশিং অদুবু মশক খঙবা ওইনা মনা অসি পীনবা লাউথোকপনি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, নিলিমা সিনহা নীংশিং মনা অসি চহী অসিগী লাক্লিবা নবেম্বর ৪দা বাংলাদেশকী সেলেটতা পাঙথোক্কদবা বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী ইন্টরনেসনল মণিপুরী লিটরেরি কনফরেন্সতা লান্থোক্কনি। মনা অসিদা শকখঙ চে অমা, ইন্নফি অমা, ক্রেস অমা অমসুং শেল ওইনা টাকা লিশিং ১০ (বাংলাদেশ করেন্সি) য়াওগনি। লোয়ননা মীওই অনীগী হঙ্গৎ-হন্দা চৎপগী অচঙবা শেনফমসু বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদনা পীগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# মপোক কুমওন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস):
হয়েং ওগষ্ট ১৮, শগোলশেল নুমীৎকী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী ম্যুজিয়ম অমসুং অর্কাইবস হোল ইম্ফালদা মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা রাজকুমার সিতলজিৎকী ১১০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লগনি। লোয়ননা থৌরম অসিমক্তদা শক্লাইরবা অইবা অসিনা ইরম্বা নেতাজি সুভাশ বাসু অমসুং অজাদ হিন্দ ফৌজ হায়বা লাইরিক অমসু ফোঙগনি হায়না কলচরেল ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভিসী প্রোফেসর পাওনম গুনিন্দ্র, মণিপুরী এদভাইজর বোর্দ সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমার অমদি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট হিদংময়ুম একেন্দ্র শর্ম্মনা মথংশিংনা অথোইবা লেংবীরকপা, অখন্নবা লেংবীরকপা অমদি থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।



HL-P/3658/12/8-12/9

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।০৮।২০২২ ইং, শগোলশেল ;
থৱানগী ২২ নি পনবা।

**মেষ:** পঙবদৈ লাই গুরুনা চানবীবা খরা ৱাৎলসু মরুপ মপাংনদি লুনা তৌবীগনি, শেন্দোং তানবা থবক্তা চাওনা মায় পাক্কনি, মীয়াম্না থোইনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**বৃষ:** হকচাং নুংঙাই, মীয়ামগা মরী ফৈ, য়েক্লববু লায়না খুদুম চনগনি অমদি লেংদবা লন তানশিনবা য়াগনি। অনম তান্নবনা মরুপ মপাংগা মালোম লৈননি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিথুন:** য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি অদুনা ফিংগনু অমদি মরম চাদনা থৌনা ফুদোকউনু। নুংশিবা মরুপ্তি ফংগনি, ঙাঙবা শকপসু পকচগনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কর্কট:** হকচাং নুংঙাইবনা অমদি ৱাখল থোকপনা থবক পাঙগনি, লৌশিংসু চাওই- ৱাখল তান্নদবা লৈরম্লসু তান্নথোকপা য়াগনি। য়েৎনবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক থোইনা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**সিংহ:** হন্থবা লোয়নরদি ফত্তবা থবক্তা পুক্নিং চংগনি, অনম তানবনা কোক শাগনি-তপথৌ। মীয়াম লোয়নবদা মাঙজগদবা নুমিৎনি। অরিবা থবক্তমক পাঙউ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈরাং পুরদি মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

**কন্যা:** নাপল থাদোকউ অদুবু থৌনাদি হনগনু, নঙগী ওইবা নক্লবা মীশিং লোয়নবনা মায় পাকপা হেনগনি। লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবদি মতাং চাদে।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**তুলা:** চিংনবা থাদোকউ চাওনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি, অনৌ-অনৌবা থবক্তা চাওনা মায় পাক্কনি। ৱানোম থৌনোম কান্নগনি-শিখাং খাঙবদি ফরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক:** য়েক্লবা লৈরম্লসু ময়েং তাগনি, থাজদনা ওইজ-ওইথক অমদি অরাপ্পদগী কান্নবসু ফংজবা নুমিৎনি। অহেনবা লৌশিং তানশিনবা য়াম্না মতাং চাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**ধনু:** মীরক চংবগী নুংঙাইবা, য়েক্লবা ময়েং তাবা, পল্লম্বা লন তানশিনবা ঙমজবা নুমিৎনি। নোল্লুক্লা চৎপা অমদি নাইতোম ৱারেপ লৌদবনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মকর:** শিনবা লাংবা অমদি ঙাঙবা শকপা হৈবনা অঙম্বনা চানবীবা নুমিৎনি। ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজগনি। মরুপ মপাংগা শাওনবা য়াবা লৈ-ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**কুম্ভ:** য়েৎনবা/লাংতক্লবনা কায়নবা অমদি অফা অপুন্নবা নংবা য়াই। অদুবু থিবা হুম্বা কল্লু অমদি মরম খংদনা ৱা য়াম্না ঙাংগনু। অচুম্বনা উপাই ওইয়ু-কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিন:** অফবা থবক্তা শেল চাওনা থাদবা তুংদা চাওখৎলক্কদবা লৈ। মীয়াম লোয়নবদা পুক্নিং পেঞ্জগনি অমদি অফবা মফম ফংগনি। হুরানবদগীদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।